# পি সী সী ময়াইকোইবীনা রন ৬৭তা ট্রাও ক্বাকৈথেল থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১(ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)গী মীৎয়েং মখাদা লমশাংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা চথুরকখিবা ৫রক শুবা এম এন সী এ অন্দর-১৬ বোইজ নাওরেম রাজ নিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পি সী সী ময়াইকোইবীনা ট্রাও ক্বাকৈথেলবু রন ৬৭তা মায়থীবা পীরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা পি সী সী অমসুং ট্রাওগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি সী সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা পেবম য়োইময়াই অমসুং লক্কি থোকচোমনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। হৌগৎলকপদা মখোয় অনীনা হৈন-শিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা য়োইময়াইনা বোল ২২ মায়োক্নখিবদা রন ১৯ অদুগা লক্কি থোকচোমনা বোল ২৩ মায়োক্নবদা রন ৪১ লৌরমখি। মখোয় অনীগী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন মেভরিক ৱাকস্বমনা বোল ৩২ মায়োক্নবদা রন ২২ অদুগা রোজর লাইশ্রমনা বোল ৩১ মায়োক্নবদা রন ৩১ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৩৪.১ শুরকপদা পি সী সীগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ২১১ লৌবা ঙমখি।

ট্রাওনা টার্গেট রন ২১২ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা বেটসমেন মুতুম স্বাভিমাননা বোল ৭১ মায়োক্নবদা রন ৪৩ অদুগা প্রিটসন অরুবমনা বোল ৩৫ মায়োক্নবদা রন ৩৪ লৌদুনা টার্গেট রন য়ৌহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলল্লবসু টিম অদুগী লেমহৌরিবা বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা মখল-মখা কয়াগী এটেকশিং মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ইন্নিংস অসিদা বেটসমেন টাইরস চবুংবমনা বোল ২৫ মায়োক্নবদা রন ১২ অদুগা ইশ্বরচন্দ্র লোইতোংবমনা বোল ১৮ মায়োক্নবদা রন ১৩ লৌরমখিবা অদু নৎতনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা দিজিট অনী শুনা রন লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩২.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪৪ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদু পি সী সীনা রন ৬৭তা মায় পাকখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা পি সী সীগী টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৪০ অমদি সর্টিফিকেট অমসুং ট্রোফি খূৎশিন্নখি। অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা ট্রাওগী টিমদনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০, সর্টিফিকেট অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা পি সী সীগী লক্কি থোকচোমনা তাখি। মহাক্না বোল ২৩ মায়োক্নবদা রন ৪১ অদুগা ওভর ৬.২দা ৱিকেট ৩ লৌরমখি। চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ট্রাওগী মুতুম স্বাভিমাননা মেন ওফ দি সেরিজ অমদি হায়েষ্ট রন স্কোররগী টাইটল লৌবা ঙমখি। হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরসু ট্রাওগী স্বাভিমাননা তাখি।

# নুংপান এফ সী, তৌপোকপী ৱাই সী অমসুং চমদিল খুল্লেন ৱাই সী মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১(ঐচ এন এস):** চকপীকারোং সব-দিভিজন স্পোর্টিং এসোসিএশন (সী এস দি এস এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা এসোসিএশন অসিগী ৪৪রক শুবা চহীগী ওইবা স্পোর্টস মীটকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা নুংপান এফ সীনা চারোংচীং ৱাই সী, তৌপোকপী ৱাই সীনা রিংফে ৱাই সী অদুগা চান্দেল খুল্লেন ৱাই সীনা নুংপান ৱাই সী মায়থীবা পীখ্রে।


ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা অহানবা মেটচ ওইনা নুংপান এফ সী অমসুং চারোংচীং ৱাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা মান্ননা লৈখি। নুংপান এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ২৭শুবা মিনটতা ৱারহমননা অদুগা চারোংচীং ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা ৩০শুবা মিনটতা মিন্থাংনানা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নুংপান এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ৪২ অমসুং ইঞ্জ্যুরি টাইমদা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু টিম অদুগী শান্নরোয় ৱেলঙম অমসুং মোটেলারনা চনখিবনি। চারোংচীং ৱাই সীগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু নুংপান এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদগী হৌরগা তৌপোকপী ৱাই সী অমসুং রিংফে ৱাই সীগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা তৌপোকপী ৱাই সীনা য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-০দা রিংফে ৱাই সী মায়থীবা পীরমখিবনি।

অদুগা ঙসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা নুংপান ৱাই সী অমসুং চান্দেল খুল্লেন ৱাই সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা চান্দেল খুল্লেন ৱাই সীনা পাঞ্জল ৬-১দা লাকচনা নুংপান ৱাই সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1361

**Rosendo Carrean Balinas - Alar Puhm (2300)**
**21st olm qual. group 7 Nice FRA (1), 1974.06.07**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Ne2 Nc6 | 3.Nbc3 d6 | 4.d4 cxd4 | 5.Nxd4 Nf6 |
| 6.g3 g6 | 7.Bg2 Bd7 | 8.Nde2 Bg7 | 9.O-O Qc8 | 10.a4 O-O |
| 11.a5 Bh3 | 12.f4 Bxg2 | 13.Kxg2 Qc7 | 14.Bd2 Nxa5 | 15.Nb5 Qc4 |
| 16.Rxa5 b6 | 17.Rxa7 Rxa7 | 18.Nxa7 Ra8 | 19.Nc3 Rxa7 | 20.Qf3 d5 |
| 21.exd5 Rd7 | 22.f5 gxf5 | 23.Qxf5 e6 | 24.Qe5 Nxd5 | 25.Qb8+ Bf8 |
| 26.Bh6 Qc5 | 27.Rd1 Nf6 | 28.Bxf8 Qxf8 | 29.Qxb6 Qa8+ | 30.Kg1 Rxd1+ |
| 31.Nxd1 Qf3 | 32.Qd8+ Kg7 | 33.Qd3 Qb7 | 34.Qd4 Kg6 | 35.Nf2 h5 |
| 36.Nd3 Ne4 | 37.Nf4+ Kf5 | 38.Nd3 f6 | 39.Nc5 Nxc5 | 40.Qxc5+ e5 |
| 41.b4 Kg4 | 42.Qc4+ e4 | 43.Qe2+ Kg5 | 44.Qe3+ Kf5 | 45.Qc5+ Kg6 |
| 46.Qd4 f5 | 47.Qd6+ Kf7 | 48.Qd4 Kg6 | 49.Kf2 Qc6 | 50.c3 Qa6 |
| 51.h4 Qa2+ | 52.Ke3 Qa1 | 53.Qd6+ Kf7 | 54.Qd7+ Kf6 | 55.Qd6+ Kf7 |
| 56.Qd5+ Kf6 | 57.Qd8+ Ke6 | 58.Qb6+ Kf7 | 59.Qc7+ Kf6 | 60.Qd8+ Ke6 |
| 61.Qc8+ Ke5 | 62.Qc5+ Kf6 | 63.Qd4+ Kg6 | 64.Qd2 Qg1+ | 65.Qf2 Qa1 |
| 66.Qd2 Qg1+ | 67.Kf4 Qf1+ | 68.Ke5 Qb5+ | 69.Kd4 Qd7+ | 70.Ke3 Qa7+ |
| 71.Ke2 Qa6+ | 72.Kf2 Qa7+ | 73.Kg2 Qf7 | 74.Qg5+ Kh7 | 75.b5 Qa2+ |
| 76.Kh3 Qe6 | 77.Qxh5+ Kg7 | 78.Qg5+ Kf7 | 79.b6 e3 | 80.Qh5+ Kg7 |
| 81.Qg5+ Kf7 | 82.Qh5+ Kg7 | 83.Qf3 e2 | 84.b7 f4+ | 85.g4... |

**QUESTION :** Black to win

### Puzzle 1360 Solution :

**32. Qxh7+** The white queen decoys Black's king. Kxh7 **33. Rh3+ Rh5**
33...Kg6 34.Rh6#
**34. Rxh5+** The white rook captures Black's rook, which was defending the square h6. **Kg6 35. Rh6+ Kg5 36. Nf3+ Kg4 37. h3#** David and Goliath mate
**1-0**

# ঈ এস এ অমসুং থাও মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১১(ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা পাৎসোই পার্ট-২দা লৈবা পাময়াল গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১২রক শুবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ঈ এস এ ময়াং ইম্ফালনা এস ও ৱাই ও সঞ্জেনবম অদুগা থাও থাংমৈবন্দনা এম টি এস য়ু মালোম মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদগী হৌরগা ঈ এস এ অমসুং এস ও ৱাই ওগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এস এগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা ঈ এস এগী সাদনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬১শুবা মিনটতা ঈ এস এগী সিমসননা পাঞ্জল অমা অমুক চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক এস ও ৱাই ওগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ঈ এস এনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ২.১৫ তাবদগী হৌরগা থাও অমসুং এম টি এস য়ুগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা থাওনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। থাওগী পাঞ্জল অদু অবোতোননা চনখিবনি।

**EMPLOYMENT NEWS /**
**VEHICLES LOAN + EXCHANGE AVAILABLE**

# H.Q (Khagempalli) office কী ওইনা Office Asst 2, Gr-IV = 2 nos.
# Samurou Branch কী ওইনা Office Asst. (Graduate + upto 30 yrs), 2/W Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Mechanic Helper 2, Car Driver 2 and Chicken Centre Helper 2.
# 2/3/4 Wheeler Loan অমসুং Used Vehicles Exchange গী Offer পীজরি।

*Please Contact :* **L.G. Motor**
Khagempalli, Imphal
# 9362775475

HL-B/9265/12/1-9/3(alt)



Title : A girl sitting under the tree
By : P. Abema Devi
Class : II Roll No. : 24 Sec. :
School : S.V. Getwell Senior Sec. School, Haotal



Title : A Flower
By : Nongmaithem Chingjumleima Devi
Class : I Roll No. : 63 Sec. : A
School : Christ Jyoti School, Mantripukhri



Title : Bunglow House
By : M. Chingkheinganba
Class : III Roll No. : 50 Sec. :
School : S.V. Getwell Senior Sec. School, Haotal




Title : Tokito Muichiro
By : Daina Laishram
Class: V Roll No. : 10 Sec. : A
School : Bright Foundation



Title : A Rabbit
By : Dhelsia Sharma Shamurailatpam
Class : KG Roll No. : 13 Sec. : A
School : Standard Robard Hr. Sec. School



Title : Batman
By : Harrisson Nongthombam
Class : IV Roll No. : Sec :
School : Sainik Foundation School




Title : A Lotus
By : Henthoiba Takhellambam
Class : Nursery Roll No. : 44 Sec. : A
School : R.B. Academy, Lamshang



Title : Manipur Flag
By : Joya Ningombam
Class : I Roll No. : 26 Sec. :
School : Pari Imom Khwai Sindamsang, Pangei



Title : Flowers
By : Khristy Mayengbam
Class : I Roll No. : 13 Sec. : A
School : Tiny Tots' Unique School



Title : Kakasi
By : Y. Korounganba
Class: III Roll No. : 51 Sec. : A
School : S.V. Getwell Senior Sec. School, Haotal




Title : Pena Khongbi
By : Naorem Krishtina Devi
Class : VI Roll No. : 5 Sec. : C
School : Padma Ratna Eng. School, Kakching



Title : Flower
By : Langwonba Khoisnam
Class : Nursery Roll No. : 1 Sec. : A
School : Kids' Foundation



Title : Naruto
By : Linthoi Leitanthem
Class : IV Roll No. : 52 Sec : Diamond
School : Heritage Convent



Title : Vegeta
By : Malemnganba Ningthoujam
Class: Nursery Roll No. : Sec. :
School : K.M. Blooming Hr. Sec. School



Title : Dragon
By : Mangaal Sinam
Class : Roll No. : Sec. :
School : Carmel School J.P. Nagar, Bengaluru



Title : Flower
By : Poirei Ningthoujam
Class : Pre-Nursery Roll No. : Sec. :
School : K.M. Blooming Hr. Sec. School




Title : Scenery
By : Thoihenbi Ningthoujam
Class : III Roll No. : Sec. :
School : K.M. Blooming Hr. Sec. School



Title : Broly
By : Tomthinnganba Mutum
Class : IV Roll No. : 46 Sec. : x
School : R.B. Academy



Title : Trunks
By : Tomthin Nganba Ningthoujam
Class : V Roll No. : 13 Sec. : A
School : K.M. Blooming Hr. Sec. School, Khangabok



Title : Naruto
By : Yaiphabi Wangkhem
Class : III Roll No. : 14 Sec. : A
School :

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com